# ইন্দিয়ন ৱিমেন’স লীগকী ফাইনেল ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন অমসুং রাইজিং ষ্টুদেন্ট ক্লবকা শান্নরগনি



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): ইন্দিয়াদা নুপী ফুটবোল হেন্না চাওখৎহন্দুনা মালেমগী থাক্তা মপাঙ্গল কল্লবা টিম ওইনা পুখৎনবগী অচেৎপা পান্দম মখাদা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না শিন্দুনা হন্দক চহী অসিদগী অহানবা ওইনা চথরিবা ইন্দিয়ন ৱিমেন’স লীগ ২০১৭ কী ফাইনেল থা অসিগী ১৪ দা মণিপুরগী মমিং লৈরবা টিম ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) ৱাংখৈ অমসুং উরিষাগী রাইজিং ষ্টুদেন্ট ক্লবকা শান্নরগনি।

ন্যু দেল্লিদা লৈবা অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংদগী খনগৎলবা অফবা টিম তরুক্তা শরুক য়াদুনা চথরক্লিবা ইন্দিয়ন ৱিমেন’স লীগকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (ঈ এস য়ু) ৱাংখৈনা অলাকপুরা এফ সী গোল ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ফাইনেল চঙখিবনি।

ইন্দিয়ন ৱিমেন’স লীগ অসিগী অহানবা এদিসন অসিগী ৱিন্নর কনানা ওইগদগে হায়বা থা অসিগী ১৪ দা খঙলগনি। লৈবাক অসিগী ওইনা ফুটবোল মশান্নদা খ্বাইদগী অফবা ষ্টেট অমনি হায়রিবা মণিপুরগী ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা চেম্পিয়ন ওইগনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থল্লি।

ইন্টরনেসনল প্লেয়র কয়া য়াওরবা মপাঙ্গল কল্লবা টিম অসিনা ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুগী অঙনবা মতমদগী হৌনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথখি। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী অহানবা গোল ইন্টরনেসনল প্লেয়র কসমিনানা মেচকী ১১ শুবা মিনিটতা চনখি। ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী অনীশুবা, অহুমশুবা অমদি মরিশুবা গোল কমালানা মেচকী ৩৯, ৮৪ অমসুং ৯০ শুবা মিনিটতা চনখি। মেচ মায়থীহৌরবা অলাকপুরা এফ সীগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু সঞ্জুনা মেচকী ৬০ শুবা মিনিটতা চনখি।

ইন্দিয়ন ৱিমেন’স লীগ অসিদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ননা মেচ ৫ শান্নখিবদা মেচ ৪ মায় পাকখি। মেচ ১ না মায়থীদুনা পূন্না পোইন্ট ১২ ফংলগা গ্রুপকী রন্নর ওইনা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি।

মেচ অদুদা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা অমসুং কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নখিবনা অলাকপুরা এফ সীনা গোল ওন্থোক্লবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি। মায় পাক্লবা ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন্না চথরিবা লীগ অসিগী ফাইনেলগী টাইটল লৌনবা শেম শাখ্রে।

## মেরিনা স্প্রিং

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস) : দল্লিয়ু এফ সী শিংজমৈ ৱাইখোম লৈকায়না শিন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দদা টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা চথরিবা অহানবা মেরিনা স্প্রিং কপ সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা আর এফ সী খন্নাম লৈরক্লা সিয়ো শিংজমৈ গোল ১৫-১ দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা আর এফ সীগী গোলশিং অদু নাওবনা গোল ১২, পিয়াবুংনা গোল ২, সুসিলনা গোল অমা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ১৫ শুখি। সিয়োগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু কেলভিন্না চনখি। ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা থিনুঙ্গৈ এফ সীনা এস দি সী গোল ৩-২ দা মায়থীবা পীখ্রে। থিনুঙ্গৈ এফ সীগী গোল অহুম্মক টি ঐচ হেরোজিৎনা চনখি।

## ষ্টেট বোল্লিবোল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর বোল্লিবোল এসোসিএশনগী মিৎয়েং মখাদা সোসিএল এদ্যুকেসনল ৱেলফ্যের এথলেটিক ক্লব (সেৱা) নাচৌনা শিন্দুনা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৭ তগী চথরকখিবা ষ্টেট লেভেল বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি লীগ লোইখিবগা লোয়ননা হয়েং সেমী ফাইনেল শান্নরগনি। হয়েং অহানবা সেমী ফাইনেল মেচ আই জি ও ওইনাম অমসুং এন ৱাই ভি এ নাওরেমগা শান্নগনি। অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ বাখে সনাকৈথেল অমসুং এ সী টি এলগা শান্নগনি।

# সেনিয়র টেন পেগ্গিং লান্স ইন্দিভিজুএলদা চীংখৈহুনবগী ধনেশ্বরনা অহানবা তাখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): হেদ ক্বার্টর আই জি এ আর সাউথকী মিৎয়েং মখাদা নাইন সেক্টর আসাম রাইফলসকী সিক্স আসাম রাইফলসনা শিন্দুনা মপান কাংজেবুংদা চথরিবা ১৪ রকশুবা দি জি এ আর সেন্টিনেল কপ ষ্টেট ইক্বেষ্টরিয়ন চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা সেনিয়র টেন পেগ্গিং লান্স ইন্দিভিজুএলদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী এল ধনেশ্বরনা অহানবা পোজিসন তাখ্রে।

লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা টিম ১২ গী অপুনবা রাইদর ১০০ হেনবনা শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৪ ফাওবা চথগদৌরিবা চেম্পিয়নশিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা ১৪ শুবা সেন্টিনেন্ট কপ দি জি এ আর ইক্বেষ্টরিয়ন চেম্পিয়নশিপ ২০১৭ কী সেনিয়র পেগ্গিং লান্স ইন্দিভিজুএলদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী এল ধনেশ্বরনা অহানবা পোজিসন তাখ্রে। এল ধনেশ্বর অমসুং মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লবকী কে ঐচ নোংপোকঙানবা মখোয় অনীমক ৩.৫/৩.৫ ফংমিন্নদুনা টাইদা এল ধনেশ্বরনা অহানবা পোজিসন লৌখিবনি। কে ঐচ নোংপোকঙানবনা অনীশুবা পোজিসন, চীংখৈহুনবা পোলো ক্লবকী ও রোজরনা অহুমশুবা অদুগা এক্স পোলো ক্লব ৱাংখৈগী ঐচ মুহিন্দ্রোনা মরিশুবা পোজিসন তাখি।

# হিন্দুষ্টান এফ সীগা ঙসি শান্নগদৌরিবা মেচনা নেরোকা এফ সীগী লাইবক লেপ্লগনি



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচএনএস): ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না শিন্দুনা হোম এন্দ অৱে বেসিসতা চথরিবা আই লীগ সেকেন্দ দিভিজন্দা শরুক য়ারিবা নেরোকা এফ সীগী অনীশুবা হোম মেচ হয়েং খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা হিন্দুষ্টান এফ সী দেল্লিগা নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা শান্নরগনি।

হয়েং শান্নগদৌরিবা মেচ অসি নেরোকা এফ সীগীদি য়াম্না অরুবা তানফম অমা ওইরি। হয়েং শান্নগদৌরিবা মেচ অসিগা মরী লৈননা ঙসি চীংমৈরোংদা লৈবা ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা নেরোকা এফ সীগী হেদ কোচ গীফ রাই খান্না ফোঙদোকখিবদা হয়েংগী মেচ অসি লমদমসিগী ফুটবোলবু নুংশিবা মীপুম খুদিংমক্তা মিৎয়েং তাবিবগা লোয়ননা মণিপুরগী অমত্তা ঙাইরবা আই লীগ সেকেন্দ দিভিজনগী টিম নেরোকা এফ সীবু সপোর্ট তৌবিয়ু।

হয়েংগী মেচ অসি নেরোকা এফ সীগী খ্বাইদগী লুরবা মেচ অমা ওইরি। হয়েংগী মেচ অসি নেরোকা এফ সীগী কাদবা য়াদ্রবা মেচ অমা ওইবগা লোয়ননা গোল মার্জিন য়াম্না ৱাংনা মায় পাক্তবা য়াদবগী তঙাইফদবসু লৈরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

## থাউ ষ্টেট মিনি বোইজ ফুটবোল

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস): থাংমৈবন্দ এথলেটিক য়ুনিয়ন (থাও) না শিন্দুনা থাউ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ৩০শুবা মিনি অমসুং ২৪ শুবা সব জুনিয়র থাও ষ্টেট লেভেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ কী ফাইনেল হয়েং অয়ুক পুং ১১.৩০ তাবা মতমদগী শান্নবা হৌরগনি।

হয়েং চহী ১৪ মখাগী ফাইনেলদা কে ৱাই এফ এ কোইরেঙ্গৈ অমসুং এম পি এস এ পুংদোংবমগা শান্নগনি। নুপাগী চহী ১৭ মখাগী ফাইনেলদা এম এস এ থাংমৈবন্দ অমসুং এম এস সী খাবমগা শান্নগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী হয়েং লোইশিনবগী থৌরমদা কোইজম রাধেশ্যাম (আই পি এস), থাউগী প্রসিদেন্ট ডা. কোইজম অরুনকান্ট, ভি এস এ আইগী ভি পি কে ঐচ চন্দ্রকুমার, কে গৌরাঙ্গগোপাল, থাউগী হান্নগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ বিরনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি।

# হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপ হোকি টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১১ (ঐচ এন এস): মণিপুর হোকিনা শিন্দুনা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা ঙসিদগী মরিরকশুবা হেরোজিৎ ৱারিবম গোল্ড কপ অন্দর-১৪ হোকি টুর্নামেন্ট ২০১৭ টিম ৮ না গ্রুপ অনীদা শরুক য়াদুনা চথবা হৌখ্রে।

থা অসিগী ১৯ ফাওবা নুমিৎ ৯ নি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসি ঙসি পোষ্টরিয়র হোকি একাদেমি (ফাম) মণিপুরগী প্রসিদেন্ট থৌদাম নবচন্দ্র, মণিপুর হোকিগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ূম থোইবা অমসুং হান্নগী নেসনল প্লেয়র এন কুমারনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা হৌদোকপগী মেচতা পোষ্টরিয়র হোকি একাদেমি (ফাম) না হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকায় গোল ৮-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা চাউনা মায় পাক্লবা ফামগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা অমসুং কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নদুনা মেচকী মতম পুম্নমক্তা হোকি য়ুনিয়নগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথখি।


ফামগী য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় এন দত্তনা গোল মরি মেচকী ৪৫, ৪৬, ৪৭ অমসুং ৫৫ শুবা মিনিটতা চনখি। পি নাওখোম্বনা গোল অমা মেচকী ৫ শুবা মিনিটতা চনখি। টি ঐচ মিসন্না গোল অমা মেচকী ৪৩ শুবা মিনিটতা, কে সনাহেনবনা গোল অমা মেচকী ৫০ শুবা মিনিটতা অদুগা কে রোবিন্না গোল অমা মেচকী ৫৮ শুবা মিনিটতা চন্দুনা টিমদুগী পূন্না গোল ৮ শুদুনা মেচ মায় পাকখি।




HL-B/3667/11,12



Authorised Tata Motors Dealers
TIDDIM MOTORS :
Kwakeithel Opposite Imphal College Airport Raod, Imphal West, Manipur ( +91) 9435246580
*T&C Apply. All offers are from dealers. Total benefits includes cash offer + exchange bonus. Accessories shown may not be part of standard fitment. Exchange value as per evaluation by Tata Motors Assured only. Limited period offer on select models & stock only. Registration, Insurance & other charges to be paid as applicable. Finance at the sole discretion of the financier.
HL-B/3537/17/1-15/2


Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com